# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুর জিলাদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা নৌনা ইরাং থোরকপদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংলে।

২) ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রি- থা অহুমগী মনুংদা শাশিন্নবা ভোতর আই.দিগী ৱাথোক লোইশিন্নবা পান্দমদা আধারগা ভোতর আই.দিগা লিঙ্ক তৌবগী থবক পায়খৎলগনি।

অমসুং

৩) এষ্ট্রোনোট সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং বটস ৱিলমোর ঙসি অয়ুক অঙনবদা পৃথিবীদা থুংলরে।

------

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা নৌনা ইরাং থোরকপদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে, মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রে।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- লৈখিদ্রবা মীওই অদু সেলমট খুলদগীনি। অশিবা হকচাং অদু হৌজিক হোস্পিতালদা লৈরি। ইরাং খরা নেমথরকপদগী ঙরাং চুরাচান্দপুর বজার হাংখি, অদুমওইনমক অমুক হন্না ইরাং থোরকপদগী কাংলুপ অনিগী মরক্তা অশোক অপন কয়া য়াওখিবনি। ইরাং থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা ইয়ার গন পায়বা মীওইশিং য়াওরম্বদগী ইরাংগী ফিভম লুশিল্লকখিবনি। জিলা অসিদা ইরাং লাকশিন্নবা আর.এ.এফ, অসাম রাইফলস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা অদুদা অচৎ অওকশিং অকনবা মওংদা চ্যেক তৌবগী থবক চথুরি।

মরক অসিদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার য়াওনা খৃষ্টান গুদৱিল কাউন্সিলনা মীয়ামদা শান্তি ওইনা লৈবীনবা আপীল তৌরি।

পুলিস(এল)ঃ অককবা পাউগী মতুংইন্না সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথুদুনা লাকখিবা নোংমৈশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। মণিপুর পুলিসনা লাকখিবা নোংমৈশিং অসি লৌখৎনবা থি হুম্বগী থবক চথুখিগনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথুবদা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অরি-পাৎতগী মেগজিন য়াওবা ৭.৬২ এম.এম এস.এল.আর অমা, এন্তি রাইওট নোংমৈ অমা, হেন্দগ্রেনেদ অনি, দিটোনেটর অমা, আর্মিং রিং অমা, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, নোংমৈ মরুশিং, বুল্লেট প্রুভ জেকেটে, টি-সার্ট, রেদিও সেটনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোনশম ওইল পম্প ময়াদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী হকচিনবা মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লক্লি। নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেনদা গাড়ি ২০৯ অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা গাড়ি ৩৬০ অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা স্পিয়ার কোরগী মখাদা শিনবা নেসনেল ইন্তিগ্রেসেন টুরগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী নুপী ৩৪ না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুজরাতকী রাজ্যপা অচারিয়া দেবব্রতকা উন্নখ্রে। রাজ ভবনদা উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা গুজরাত্তা শিংনবা কয়াগা লোয়ননা রাজ্য

অদুগী শেনমিৎলোন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অহোংবা কয়া পুরকখিবশিং অদু খঙহনখি। রাজ্যপালনা মণিপুরগী নুপীশিং অদুদা ওর্গানিক ফার্মিংগী মতাংদা লাইরিক অমা খুৎশিন্নখি। নমিৎ ১০ নিগী খোঙচৎ অদু ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ১২ দা লমথাখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নুপী কাংলুপ অসিনা গুজরাতকী মফম কয়াদা চত্তুনা লমদম অদুগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি মীৎয়েং তাখি। মীওই অসি অসি থা অসিগী ২২ দা ইম্ফালদা হল্লক্কনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা লমলোং সি.এস.ওশিং, থৌবালগী মহৈরোই লুপশিং, চন্দ্রখোং খুলগী মীওই কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। অসাম রাইফলসনা মখোয়গা উন্নদুনা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী খৌপুমদা লৈবা দোনবোস্কো হাইস্কুলদা ঙরাং রচনা ইবা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে। রিন্যুএবল ইনর্জিগী খুথাংদা লমদম অদুগী মীওইশিংবু হেন্না শক্তি পীবা হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপা চংদমবা অদুদা মহৈরোই ৭০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ইসিআই ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রি- মীপুম খুদিংমক্কী আধার অমসুং ভোতর আই.দি অথুবা মতমদা লিঙ্ক তৌননবা থবক পায়খৎলগনি। চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেস কুমারগা গৃহ মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি, লেজিসলেতিভ বিভাগ অমসুং য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (য়ু.আই.দি.এ.আই)গী সি.ই.ওগা উন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌশিখিবনি।

চেরোল অমদা কম্মিসন্না হায়- আর্তিকল ৩২৬ রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপল এক্ট ১৯৫০ অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী রাইগী মতুংইন্না আধারগা ইপিক্কা শমহনবগী থবক লৌখৎকনি। ভারত সংবিধানগী আর্তিকল ৩২৬ কী মতুংইন্না ভারতকী নাগরিক খক্তনা ভোৎ থাদবগী হক ফংহনগনি অমসুং আধার কার্দনা মীওই অদুগী মশক মমিং খঙদোকপা ঙমগনি। মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা মতম কুইনদগী থেংনরকপা শিংনবশিং মায়োকনবা ইলেক্সন

কম্মিসন্না থৌরাং কয়া লৌখৎনবা শেম শারে। মসিগী মনুংদা থা অহুমগী মনুংদা শাশিন্নবা ভোতর আই.দিগী ৱাথোক লোইশিনবা, মীখলগা মরী লৈননা মথৌ তৌগদবশিংগী ত্রেনিং পাঙথোকপা অসিনি। ভোৎ থাদবা মতমদা পোল্লিং বুথশিংদা মী পরেং শাংনা লেপ্পা হন্থহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না পোল্লিং বুথ অমমমদা মী লিশিং ১,২০০ লৈহনগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না ইপিক্কা আধারগা শমহন্নবা লৌরকপা ৱারেপ্পু বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- থৌরাং অসিনা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা মনুং মপান ফাওনা উহনবা ঙম্বতা নত্তনা অরানবা তৌবশিং থিংবা ঙল্লগনি। মহাকা হায়- মণিপুরদা ইং ২০১৯ গী ইলেক্তোরেল ভেরিফিকেসন প্রোগ্রামগী মতুংইন্না শাশিন্নবা ভোতর লিশিং ৬৭,৮৪৪ ভোতর লিষ্টতগী লৌথোকখি। মসিগী মনুংদা জিলা অমখক্তদগী ভোতর লিশিং ২৪,৬৩৬ লৌথোকখি। অশেংবা আধার পায়বা মীওইশিংগা ভোতর আই.দিশিংগা শমহনবা হায়বসি মীখলগী চপ চাবা নিয়ম পাঙথোকপগী মরুওইবা থবকনি। মহাকা হায়- আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং খঙদোকবা অমদি অশেংবা ভোতরশিংগী হক ঙাক্তুনা থমবা সরকারগী রেকোর্দশিং হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংশিনবা চংই।

ৱিল্লিয়মঃ এষ্ট্রোনোট সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং বটস ৱিলমোর ঙসি অয়ুক অঙনবদা পৃথিবীদা থুংলরে। স্পেচ এক্স ক্রিউ দ্রেগোন স্পেচ ক্রাফট অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা গল্ফ ওফ মেক্সিকোদা থুংলখিবনি।

স্পেচ এক্স কেপসুল পেরাচুট অদু ফ্লোরিদাগী তলাহাসি সমুদ্র খোঙবান মনাক্তা তাখি। মসিগা লোয়ননা থা ৯ হেন্না সুন্দ্রংদা লৈরুরবা এষ্ট্রেনোট অনি পৃথিবীগী লৈমায়দা থুংলখিবনি। মখোয় অনিগা লোয়ননা স্পেচ এক্স ক্রিউ নাইনগী নাসাগী এষ্টোনোট নিক হেক অমসুং রসিয়াগী কোস্মোনোট আলেকজেন্দ্র গোরবুনোভকা লোয়ননা থুংলখিবনি। বটস ৱিলমোর অমসুং সুনিতা ৱিল্লিয়মস মমাং চহিগী জনদগী ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা

লৈরকখিবনি। মখোয়গী বোইং ষ্টার লাইন্নর স্পেচ ক্রাফটতা টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা মায়োকরকপদগী পৃথিবীদা হল্লকপা য়াদনা সুন্দ্রংদা নুমিৎ ২৮৬ লৈখিবনি।

নাগপুর ঃ মহারাষ্ট্রগী নাগপুর সহরদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫০ ফারে। কেস মঙা রেজিষ্টর তৌরে।

নাগপুরগী পুলিস কম্মিসনার ডাঃ রবিন্দ্র সিংগলনা হায়- ঙরাং নুমিদাং সহর অদুগী চিংনবা মফমশিংদা শান্তি থমবগীদমক পুলিসনা ফ্লেগ মার্চ চৎখি। মহাকা হায়- মফম অদুদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতুংইন্না করফিউ কোমথোক্কনি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং নাগপুর সহরগী জোন ১১ দা ভারতিয়া নাগরিক শুরক্স সনহিতাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদ অথিংবা থমখিবনি।

পেরা ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা খেল্লো ইন্দিয়া পেরা গেমস ২০২৫ গী মাস্কোট, লোগো অমসুং এন্থেম পুথোকখ্রে।

পেরা গেমস অসি দিল্লিদা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা চত্থগনি। মহাকা গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশং কুম্মৈগী ছুতি ওইখিবনা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অমত্তা ঙসিসু ফোংনদ্রে।

অদুমওইনমক, সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ৬ কী মীহুৎ কাংবু অমা মণিপুরদা লাক্কুনা থা অসিগী ২২ দা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা মীয়ামগা উন্নগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফাইবুং খুনৌদা চেঙ্গুম থাবগী প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে, মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরবসু লুপা কোতি লিশিং ৫১,৪৬৩ গী রাজ্যগী বজেৎ সংসদনা অয়াবা পীখ্রে, শাশিন্নবা ভোতর আই.দি মুথৎনবা পান্দবদা ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোতর আই.দিগা আধার শমহন্নবা থৌরাং পায়খৎপগী পাউ পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- মণিপুর নাগা জরনেলিষ্টশিংগী অহানবা মীফম উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লোইশিনখ্রে, মণিপুরগী নাগা দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি হায়বসিনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। সুপ্রিম কোর্টনা অৰাং নোংপোক রাজ্য অহুমদা থা অহুমগী মনুংদা দিলিমিতেসন পাঙথোকবা য়াথং, নহা অমা থিবা খঙদবদগী চরাংনবা ফিভম লৈরে হায়বা পাউ পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি ।

------